# টাটাগী হেরিয়র ঈ ভি লোঞ্চ তৌখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস):** টাটা কম্পেনিনা লৈবাক অসিদা অনৌবা মখলগী গাড়ী কয়া খুদোল তমখ্রবা মতুং হন্দক অমুক হন্না ইলেক্ট্রোনিক ভেহিকল হেরিয়র ঈ ভি লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা ঙসি মণিপুরদসু গাড়ী মখল অসি লোঞ্চ তৌখ্রে।

ক্বাকৈথেল টিদ্দিম রোদতা লৈবা টিদ্দিম মোটোরসতা ঙসি পাঙথোকখিবা হেরিয়র ই ভি গাড়ী লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা পঞ্জাব সিন্দ বেঙ্ক ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী মেনেজর লকিসন পানমৈ, বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া রিমস রোদকী সিনিয়র ব্রাঞ্চ মেনেজর খোগেন ওইনাম, টিদ্দিম মোটোরস ইম্ফালগী জেনরেল মেনেজর হরকিসন সিংহ গসালনচিংবনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৰা ঙাংলদুনা জি এম গসালনা হায়, ঙসি নৌনা লোঞ্চ তৌরিবা টাটা হেরিয়র ই ভি অসি ইলেক্ট্রোনিক ভেহিকলশিংগী মনুংদা য়াম্না এদভান্স ওইরবা অমনি। গাড়ী অসিগী মশক হেক য়েংবদা য়াম্না ফজবা অমা ওইবগা লোয়ননা অনৌবা ষ্টেজ অমদা শেমগৎ শাগৎলবা গাড়ীনি। গাড়ী অসিগী খুদোংচাবা হায়রগদি তোঙান তোঙানবা রেস্পোন্স মোদ ৬ লৈ। মদুদি নোর্মেল, রোক্স, রট্স, স্নো এন্দ গ্রাস, সেন্দ অমসুং কষ্টমনি। টেরেন খুদিংমক্তা গাড়ী অসিনা য়াম্না লায়না মথৌ তৌবা ঙম্মী। মসিগী মথক্তা ঐখোয়না য়াম্না অপীকপা নত্রগা অচিনবা মফমদা পার্কিং তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈরিবা অদু গাড়ী অসিগী ওইনদি লৈররোই। গাড়ী থৌনবা মী য়াওদ্রবসু ওটোমেটিক ওইনা মশা মতোমতা পার্ক তৌহনবা য়াই। গাড়ী অসিদা য়াওরিবা সেন্সরনা অকোয়বগী পাক চাওবা হোৎলবা মতুং চপ চাবা মফমদা পার্ক তৌদুনা লৈহনবা য়াই। মসিগী মথক্তা মপুং ফানা অমুক্তং চার্জ তৌখ্রবদি কিলোমিটর ৬০০ রোম থৌবা য়াই। গাড়ী মখল অসিগী বেট্টরি মখল অনী লৈগনি অমনা কিলোৱাট ৬৫নি অদুগা অমনা কিলোৱাট ৭৫নি। এক্স য়ু ভি কার মখল অসি মীয়াম্না শীজিন্নবা মতমদা হান্না গাড়ী থৌবা মতমদা থেংনরম্বা খুদোংচাদবা কয়া অদু কোকহনবা ঙমগনি। শম্না হায়রবদা ওইথোক্লোইদবা কয়া ওইথোকহনবা ঙম্বা গাড়ী মখল অমনি হায়রি।

## কুমজা ২০২৪গী জুন-জুলাইদা পি দব্লিয়ু দি কমপ্লেক্স...

*লমায় ১গী মখা...* পীরকপা য়াওবদগী মীয়াম্না ৰাহং অসি হংনরকপনি।

ৰাহং অসিগী পাউখুম ফংনবা খোঙ্গুল লীরুবদা ঙসি পি দব্লিয়ু দিগী মকোক থোংবা ইঞ্জিনিয়র ওইরিবা সী ঐচ বিশ্বচন্দ্রগা উনরুবদা মহাক্না হায়, মমাঙ চহীগী ঈশিং ঈচাওদা পি দব্লিয়ু দিগী কেম্পস অসি থুম্বদা নত্তনা লোয়শঙ অসিগী ফর্ষ্ট ফ্লোরদা লৈমায়দগী ফুট ৭ লোম ৰাংনা ঈশিং থুমখি। মসিনা মরম ওইরদুনা লোয়শঙ অসিগী য়াম্না মরু ওইবা ফাইল কয়া অমাঙ অতা থোকখি। মসিগী মথক্তা ওফিস অসিদা শীজিন্নবা ইলেক্ট্রোনিক আইটেমশিং, ফর্নিচরনচিংবসু অমাঙ অতা থোকহনখি। মমল ওইনা লেপথোক্লুরবদি চাউরাক্লা লুপা ক্রোর অমরোমগী পোৎ চৈশিং মাঙ তাকখি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

হৌজিক য়াম্না লাইবক থীরিবনা মরু ওইবা ফাইল কয়া অমাঙ অতা থোকখিবনি হায়রকখি।

অদুম ওইনমক মীয়ামগী মরক্তগী মথৌ তাবা দোকুমেন্টশিংগী খোঙ্গুল লীরুবদা ঈচাওনা মরম ওইরদুনা অমাঙ-অতা থোকখ্রে হায়দুনা পাউখুম্লকপা য়াওরক্লিবসি হায়রিবা দোকুমেন্টশিং অদু ঈচাওনা শোকহনখিবা লোয়শঙ অহুম্মক্কী গ্রাউন্দ ফ্লোরশিংদা লোইনমক থমখিব্রা নৎত্রগদি অহানবা নৎত্রগা অনীশুবা ফ্লোরদা থম্বা ওইরবদি ঈশিং-ঈচাওনা অমাঙ-অতা থোকহনবা ঙস্লোই হায়বগী ৰাফমসু চোংথোরক্লি।

## অসাম দাউন টাউন য়ুনিভর্সিটিগী...

*লমায় ১গী মখা...* শক্তুনা হৌদোকখিবনি।

থৌরমগী মনুং চন্না শরুক য়ারখিবা শক্লাইরবা মীওইশিংবু তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা গুৱাহাটিগী পুলিস কম্মিস্নর ডা. পর্থা সরাথি মহন্তনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা স্পেশল দোক্যুমেন্টরি অমসু রিলিজ তৌখি। দোক্যুমেন্টরি অসিনা ঙসি ফাওবদা মহৈকোল অসিনা চঙশিল্লক্লিবা লম্বী পরিংবু ময়েক শেংনা খঙহনখি। বোড়ো দান্স অমদি ফ্যুজন দান্স য়াওনা বোরগিট, ভোরটাল, মতম ঈশৈ অমদি নাটকী ওইবা জগোয়গী পর্ফোর্মেন্সশিং উৎপনা থৌরম অসিগী মরু ওইবা শক্তমশিং ওইখি। থৌরমগা মরী লৈননা চাঞ্চেল্লর ডা. ঐচ এন দত্ত অমসুং প্রোফসর এন সী তারুকদারনা মহৈকোল অসিগী মহৈরোয়শিংগীদমক থল্লিবা অশানবা মীৎয়েং ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

থৌরমগী মনুং চন্না নিয়ামিরয়া ব্রতগী এদিটর নরেস কলিতানা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা মহৈকোল অসিগী মেগাজিনসু রিলিজ তৌখি। পূন্না লুপা লাখ ১০ রোমগী শেনফম মহৈকোল অসিগী রিসর্চ পব্লিশর, একাদেমিক অমসুং নন একাদেমিক ষ্টাফশিংনা লৌবা থৌদাংশিংবু শকখঙলদুনা মনা ওইনা য়েন্থোকখি।

## মোদিগী খোঙচৎ : এম এল ...

*লমায় ১গী মখা...*ওইহন্নবগীদমক মখোয়গী মায়কৈদগী লৌবা য়াবা থৌদাংশিং লৌগনি হায়বগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ মনুংদা মণিপুরদা মীয়ামগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বগী মতাংদসু লৈখাই তাহৌনবা তকশিন্নবা লেপত্রি হায়রি।

ঙরাং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর, স্পিকর অমসুং বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টনচিংবা য়াওনা এম এল এ ২০ হেনবগা গভর্ণরগা উনদুনা ৰারী শানখ্রবা মতুংদা ঙসিসু নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা অতোপ্পা বি জে পিগী এম এল এ ৬কসু গভর্ণরগা রাজ ভবনদা উনদুনা ৰারী শানখি।

ঙসি উনখিবশিংগী মনুংদা গোবিন্দাস কোন্থৌজম, টি ঐচ বিশ্বাজিৎ, টি ঐচ অরুনকুমার, অবদুল নসির, এম দি অসবউদ্দিন অমসুং কে ঐচ জ য়কিষণ য়াওই হায়রি।

এম এল এ তরুক অসিগা গভর্ণরগা পুঙ্খায় অমরোম চূপ্না ফম্মিন্নদুনা ৰারী শানখি। অদুমকপু চপ চানা করি করম্বা হীরমদা পুথোক্তুনা খন্নখিবগে হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি। অদুম ওইনমক এম এল এশিংগী মায়কৈদগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মণিপুর খোঙচৎপু মপূং ফাহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবগী অয়াবা লৌহৌনবগী ৰাফম হৌদোক্লদুনা খন্নরমগনি থাজনরি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর, স্পিকর অমদি বি জে পিগী প্রসিদেন্ট য়াওনা এম এল এ ২০ হেনবগা গভর্ণরগা ফম্মিন্নদুনা ৰারী শানখিবদসু এম এল এ অমগী মায়কৈদগীদি মীয়ামগী মীহুৎশিংগী অনৌবা লৈঙাক অমা অথুবা মতমদা লৈহন্নীংবগী অকনবা ৰাফমশিং ফোঙদোরকখি হায়রি। অদুবু রাজ ভবনগী মায়কৈদগী ওফিশল ওইবা চেরোল অমত্তা থোরকখিদবনা মীফমশিং অসিগী চপ চাবা মরমশিং খঙবা ঙমখিদ্রি।

# লৈঙাক্লোইশিংনা মরীংজেল লৈতবা অমসুং ইপা-ইপুগী ঈ চেন্দবদগী মীয়াম্না ৰারিবনি : এম হেমন্ত



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস):** মহৌশাগুম্না ঙসিসু কুমজা ১৮৯১দা শোকখিবা এঙলো মণিপুরী ৰারদা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোম্বা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লাংবন হৈশোই কৎখ্রে।

খোংজোম ৰার মেমোরিএল ট্রষ্টনা শীন্দুনা ৩২রক শুবা হৈকং লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসি ঙসি খোংজোমদা পাঙথোকখিবনি। খোংজোমগী দাইমন্দ রেদিও কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরমদা ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম হেমন্তনা লুচিংদুনা মীয়ামগা লোয়ননা দাইমন্দ রেদিওগী কমপ্লেক্স ফাওদুনা চেল্লিবা খোংজোম তুরেলদা লৈ-শু কৎতুনা ইপা ইপুশিংবু ইকায়খুম্নখি।

থৌরমগা মরী লৈননা হান্নগী মিনিষ্টরসু ওইরম্বা এম হেমন্তনা হায়, অথৌবা কয়া চৎখ্রে, কয়া অমা লাকখিগনি। ঐখোয়গী লেঙদ্রবা পূন্সিগী শিন্থাদি কখোকপা হায়বসিনি হায়রদুনা পাওনা ব্রজবাসি অমদি মতমদুগী অথৌবশিংদি মরৈবাক মফুরুপকীদমক থৱায় কথোকখি। অদুবু ঙসিগী লুচিংবশিংদি লৈবাক্কীদমক মশাগী ফম ফাওবা থাদোকপা ঙমজদে। মসিনা ঙসিগী মীয়াম ৰারিবনি হায়খি।

ঙসি ঐখোয়গী লৈঙাক লোয়শঙ অমসুং লুচিংবশিংনা মথৌনা মরিংজেল লৈতবা অমদি ইপা ইপুশিংদা চেল্লম্বা মতিক ময়াই অদু চেন্দবদগী ঙসি মণিপুর হা-কার লাউনা ৰাদুনা লমদম অসিদা পোকচরগা হিংজরকপা ঐখোয়না ঙসি মফম খুদিংদা চৎপা ঙমদবা হায়বসি লৈঙাক্লোনগী লুচিংবশিংগী খ্বাইদগী ইকায়নীংঙাইনি হায়খি।

## মোদিগী খোঙচৎ তরাম্না ওকই অদুবু কান্থোক্লম্বা...

*লমায় ১গী মখা...* হাৎন-শুনবগী ঈরাং অসিগী মতাংদা করি-করম্বা ৰারোইশিন প্রাইম মিনিষ্টরনা পুথোকপীরমগদৌরিবনো হংখি।

ঈরাং অসিগী ৰারোইশিন লৈরব্রা হায়বসি কোংগ্রেসকী ৰাহংনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা হন্দক মণিপুরদা লাক্কদৌরিবসি মহাক্কী ওফিশল ওইবা মিজোরাম অমদি অসাম খোঙচৎতা করিগুম্বা হন্দকসু মণিপুর কান্থোক্লম্লবদি ফজররোই হায়না খনবগী মওংদা লাক্কদবা ওইনা উই। পুং ১/২গী খোঙচৎতা লাক্লম্লগা খূৎ খরা হাইরম্লগা অদুম য়াগনি হায়বা ৰাখল্লোন অদু হৌজিকসু প্রাইম মিনিষ্টরদা লৈরিব্রা হংখি।

ও ইবোবীনা মখা তানা হায়, ঙরাং রাজ ভবনদা গভর্ণরনা বি জে পিগী এম এল এশিংগা প্রাইম মিনিষ্টর লাকপগী মতাংদা মীফম পাঙথোকখিবা অসি মীয়াম তিন্দ্রবদি চোপ্পা তারে হায়না পাঙথোকখিব্রা নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টর লাকপদা ষ্টেট অসিগী ওইবা করি হায়হৌসিগে হায়না তান্ননবা পাঙথোকখিব্রা হংখি।

ক্রাউদ মেনেজমেন্টকী ওইরবদি বি জে পিগী লুচিংবা অমা/অনী কৌরগা অদুমক উনবা য়াই। মসি নত্তনা ক্রাউদ মেনেজমেন্টগীদমক বি জে পিগী এম এল এশিং কৌরগা উনবা ওইরবদি রাজ ভবনগী মীংচৎ থীহনবা ওইনা থোক্লে। রাজ ভবনবু বি জে পিগী ওফিস ওন্থোক্লোইদবনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লাকপদা হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ফীভম অসি য়েংলুরগা মহাক্না চ্যের লৌদুনা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা পার্টিশিংগী মীহুৎশিংদুগা করি তৌবনা চুমগনি হায়বদু খন্নফম থোকই হায়খি।

মে ৩, ২০২৩দা ঈরাং অসি থোরকপদগী সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক অনীমক্লা মতম চানা ঈরাং লাকশিনবগী মমি তাখিদে অদুবু ঈরাং অসি থোকপগা ইকান কান্নদনা মণিপুরগী দি জি পি শিনে দারকখি অমদি সিক্যুরিটি এদভাইজরনচিংবা মপান্দগী হাপচিল্লকখিবা অদুসু অঙকপা অমনি। ঈরাং অসি থোকখ্রবসু মসিবু লাকশিন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্তা মতম খরদি পীফম থোকপনি। মসিগী মহুত্তা মপান্দগী লোইনা থাজিল্লকখিবা অসিনা হান্না মাঙজৌননা প্লান তৌরব্রা অমদি ঈরাং থোকহল্লসি হায়না শিনখিব্রা হায়নসু চিংনবদা ঙমদে হায়খি।

পাউমীশিংনা হংবা ৰাহংগী পাউখুমদা ও ইবোবীনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টরনা লাক্কদৌরিবসিদি করিসু নাচুংদনা লাক্কদবগী মওং মাল্লি। মহাক্না লাকপদা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবগী পীসকী রোদ মেপ অমা লোয়নরক্কনি হায়বা থাজদে। অদুবু মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি।

মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরকপা হায়বসি কোংগ্রেসনা তান্দুনা লাকপা দিমান্দনি হায়খি।

কোংগ্রেসকী মতমদা সূ তৌনরম্বনা মরম ওইরগা ঈরাং থোরকপনি হায়না বি জে পিগী লুচিংবশিংনা তৎতনা হায়খি অদুবু ফৎত্রে হায়রিবা সূ অসি হন্দক অমুক এক্সটেন্দ তৌরিবসি করিগীনো হায়বসি বি জে পিদা হংফম থোকই হায়নসু মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## চাকথোঙ গ্যাসকী দেলিভরি তৌরিবা গাড়ীশিংদা ...

*লমায় ১গী মখা...*ওইনা মসিগী ইন্সপেক্সন অসি চথবনি। মসিদা এজেন্সী অসিদা মে থাগী লোদ ২৭, জুনদা ১১, জুলাইদা১৬ অমদি ওগষ্টতা লোদ ১১ লৈখি। এজেন্সী অসিনা ফংখিবা লোদ মশীং অসিগা য়েংলুরগদি কঞ্জুমরশিংদা মে থাগী গ্যাস লোইনা পীথোকফম থোকপনি অদুবু মশীং শুনা পুথোক্লমদ্রবদি হায়দুনা থিজিল্লুবদা জ ন অমদি জুলাই থাগীসু কঞ্জুমর খরদা পীথোক্লম্বা থেংনরকখি। তশেংবমক্তি মমাঙ থাগী বেকলোগ লৈবশিং হান্না পীথোকফম থোকই হায়খি।

ঙসিগী ওইনা এজেন্সী অসিদা ৱার্নিং পীরম্লে। এজেন্সী অসিদা অমদি অতোপ্পা এজেন্সীশিংদসু মখা তানা ইন্সপেক্সন চথখিগনি। অতোপ্পা এজেন্সীশিংনসু অসিগুম্বা থৌওং চথবীগনু। মখা তানা অশোয়বা চথরম্লবদি মখোয়গী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, চাকথোঙ গ্যাসকী হোম দেলিভরি তৌবদা শীজিন্নরিবা গাড়ীশিংদা এজেন্সী অদুগী মমিং নীংথিনাথাদবা কয়া য়াওরে। দেলিভরি তৌবদা শীজিন্নরিবা গাড়ীশিংদা এজেন্সীগী মমিং থানবগীদমক দিপার্টমেন্টনা চয়োল অমগী মতম পীরি। গাড়ীদা এজেন্সীগী মমিং চপ চানা থাদবনা ব্লেক মার্কেটিং তৌনরকপগী মচাক অমা ওইহল্লক্লে। পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা দেলিভরিদা শীজিন্নরিবা গাড়ীশিংদা এজেন্সীগী মমিং চপ চানা থাদ্রবদি হায়রিবা গাড়ীশিং অদু ফাগৎলগনি হায়খি।

চাকথোঙ গ্যাসনা মরম ওইরগা মৈহৌ লাংপোক থোকপা মতমদা মীশি-মীনা অমদি য়ূম মৈ চাকপনচিংবা য়াওরবদি কঞ্জুমরশিংগী ইন্সুরেন্স লৈ। ইন্সুরেন্স অসিগী মতুংইন্না শিবা য়াওরবদি লুপা লাখ ৬ ফাওবগী কম্পেন্সেশন পীগনি অদুগা শোকপা অমদি য়ূম মৈ চাকপদনা লুপা লাখ ২গী কম্পেন্সেসন পীগদবনি অদুবু ইন্সুরেন্স অসিগীদমক শীজিন্নরিবা ষ্টোভ, হোষ্ট পাইপ অমদি রেগ্যুলেটরনচিংবশিং আই ও সীনা এপ্রুভ তৌবা অমদি ইশা ইশাগী এজেন্সীশিংদগী লৌবা ওইগদবনি । লোয়ননা লৌবা মতমদসু মখোয়গী সিষ্টমদা এন্ট্রি তৌগদবনি হায়খি।

GAS NEWS

**MANIPUR GAS SERVICE,**
**Booking 12/05/2025**
Valid from 27/04/2025
Home delivery only
Time: 8am to 2pm

**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery Only
Booking upto: 10/07/2025
Vaild from 05/07/2025
Office contact no. 9362654114
WhatsApp no. 9863624773
Time: 8.30 am to 12.30 pm
Available 10 kg,5 kg,19 kg

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk.upto 20-08-25**
**(sl.upto 565)**
Timing:7am to 9am

HL Poll

Q : Narendra Modina Manipurda sangaramgadaba amasung urep tamlamgadaba thouram parengdi semle, Langi waroisingidi thourang toupham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Prime Minister Narendra Modina "Athengbada Thorakpa Thabal" oiduna lakpada Manipurgi meeyamna soidana taramna okkadra?

Yes 20% No 80%

অস! লোইরেহে!

- চাক্তি লোইরমাল্লে, খিৎতং য়োৎলুবা চুমগদ্রা ঐবো?



- নচানুপাখোয় য়োৎপা চৎখ্রি থেংগাইনরুনি।

## নরেন্দ্র মোদি খোঙচৎকী শেম-শাবা ...

*লমায় ১গী মখা...* নরেন্দ্র মোদিগী চুড়াচান্দপুর খোঙচৎকীদমক অরোইবা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা শেমগৎ শাগৎতুনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং হকথেংননা য়েংশিল্লুনবা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লা হয়েং অয়ূক পুং ৯.৩০ তারকপদা চুড়াচান্দপুরগীদমক ইম্ফাল থাদোক্কদৌরি।

গভর্ণরনা মহাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি য়াওনা মরী লৈনবা ওফিশলশিংগা পূন্না টিদ্দিম লম্বীদা চুড়াচান্দপুর তম্না চৎকনি। মফম অদুদা হেক থুংবগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তোংলক্কদবা হেলিকোপ্টর তাগদবা বি এস এফকী হেলিপেদ শেমজিন-শাজিনবগী থবকশিং য়েংশিনগনি অদুগা মফম অদুদগী পীস গ্রাউন্দ তম্না প্রাইম মিনিষ্টরনা চৎকদবা লম্বী অমসুং গ্রাউন্দ অসিদা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী মীফমগীদমক শেমগৎ শাগৎলিবশিং হকথেংননা য়েংশিনগনি হায়রি।

গভর্ণরগী হয়েংগী চুড়াচান্দপুর খোঙচৎ অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা অয়ূক্কী চাক্লেন চাবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনগী মকোক থোংবা ওফিশল ওইরিবা দেপ্যুটি কম্মিস্নর, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লো এন্দ ওর্দর মেন্টিনেন্সকী থবক পাঙথোক্লিবা পুলিসকী এস পি য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা দিপ্লোই তৌরক্লিবা পেরামিলিটরি অমসুং আর্মিগী মকোক থোংবা ওফিশলশিংগসু মীফম পাঙথোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ মনুংদা মখল অমত্তগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবা সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগী অহোবা অমত্তা লৈহন্দনবা খন্নগনি হায়রি।

নুংথিলদা রাজ ভবনগীদমক চুড়াচান্দপুর থাদোক্লমদাইদা গভর্ণরনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ভিলেজ হেদমেন অমসুং মাঙজিল থাবা সী এস ওশিংগী লুচিংবা খরগসু প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎকা মরী লৈননা ৰারী শানরকপা য়াই থাজনরি।

পনবা য়াবদি, প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিগীদমক মমাঙ থাগী ১৯গী অয়ূক্তা গভর্ণরনা পি ঐচ ক্যুদগী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসর অমসুং লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওফিশলশিংগা লোয়ননা চুড়াচান্দপুরদা চৎতুনা ইহান হান্না মফম অদুদা লৈবা বি এস এফকী হেলিপেদ অমসুং পীস গ্রাউন্দ য়াওনা মীফম পাঙথোকপা য়াবা পব্লিক গ্রাউন্দ অনীগী ফীভম হকথেংননা য়েংশিল্লুরবনি।

খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না গভর্ণরনা ক্রেচ সেন্টর অমসু শঙ্গারম্বগা লোয়ননা আই দি পিশিংনা চঙজফম লৌরক্লিবা রিলিফ কেম্পতা ফাওবা চঙদুনা কেম্পতা লৈনা-লৈনা এগজামিনেশনদা মীথোই মীহেন্দুনা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয়শিং অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হন্দক চহীগী এন ঈ ঈ টি, ২০২৫গী এগজামিনেশনদা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয় অনীবুসু তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরমশিং পাঙথোক্লমখিবনি।

অদুগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎকী মরী লৈননা দেপ্যুটি কম্মিস্নরগসু 'ক্লোজ দোর মীটিং' ফাওবা পাঙথোক্তুনা খোঙচৎ অসিগা মরী লৈনবা ৰাফমশিং অমসুং মসিগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশন অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা কূপ্না খন্নখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি রাজ ভবনদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এন ঈ) সর্কলগী চীফ জেনরেল মেনেজর প্রভাস বোসনা মহাক্কী সিনিয়র ওফিশল অহুমগা লোয়ননা গভর্ণরগা উন্নখ্রে।

বেঙ্ক অসিগী ওফিশলশিংগী মায়কৈদগী মণিপুরদা এস বি আইনা হৌদোকখিবা থবক-থৌরমশিং অমসুং পাঙথোকখিবা থবকশিংগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৰাফম গভর্ণরদা ফোঙদোকখি।

এস বি আইগী ওফিশলশিংনা গভর্ণরদা থমখিবা মরীক চুম্বা ৰাফমশিংগী মনুংদা সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা স্কিমশিংগী মতাং অমসুং লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবা লৌখৎলক্লিবা থবকশিংগী মতাংদসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মণিপুরগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈবা মীয়ামদা বেঙ্ককী থবক থৌরমশিংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনবদা মায়োক্লবা খুদোং চাদবশিংসু গভর্ণরদা পাউদমখি।

গভর্ণর এ কে ভল্লাগী মায়কৈদগীসু ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক হৌদোক্তুনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা রিজন অসিদা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মখা তানা মতেং পাংবীনবা অমসুং বেঙ্ককী থবক থৌরমশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবা হোৎনহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

## মথংগী মণিপুরগী এসেমব্লি ইলেক্সন...

*লমায় ১গী মখা...* উত্তম কুমার নিংথৌজমনা কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

মখোয় অহুম্না কোংগ্রেসতা য়াওরকপবু ঙসি ন্যু দেল্লীগী ৯-এ কোটলা রোদকী ইন্দিরা ভবনদা লৈবা এ আই সী সীগী হেদ ক্বার্টরদা কোংগ্রেসকী মণিপুরগী ইন-চার্জ শপ্তাগিরি সঙ্কর উল্লাকানা লুচিংবা পার্টিগী লুচিংবশিংনা তরাম্না ওকখি হায়রি। থৌরম অসিদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রসু শরুক য়াখি।

কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা তরাম্না ওকখ্রবা ৰাই সুরচন্দ্র ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কুমজা ২০০৭, ২০১২ অমসুং ২০১৭তা অহুল্লক কারক্লবা মতুং কুমজা ২০২২দা বি জে পিগী কেন্দিদেট ওইখিবনি। মীখল অদুদা মহাক মায়থীহৌরবসু অনীশুবা তাহৌখিবনি। অদুগা লাইশ্রম রাধাকিশোরনা কুমজা ২০০২দা ওইনাম এ সীদগী কারক্লবা মতুং কুমজা ২০১৭তা বি জে পিগী এম এল এ ওইনা অমুক হন্না কারক্লগা মণিপুর পোল্যুশন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন ওইরমখিবনি। মসিগী মতুং কুমজা ২০২২দা অমুক হন্না বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবদা শুপ্নতগী ভোট ২৫০/২৬০ রোমদমক খেন্নদুনা অনীশুবা তাহৌখিবনি।

মখোয় অহুম্না ঙসি কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা দেল্লীদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা তরাম্না ওকপগী পাউ ফংবদগী পাউচে অসিনা ঙসি নুমিদাং দেল্লীদা লৈখিবা এল রাধাকিশোরদা টেলিফোন তৌদুনা ৰারী শারুবদা মহাক্না হায়, ঐহাক মমাঙগী ১১শুবা এসেমব্লিদসু বি জে পিগী এম এল এ ওইনা কারকখিবনি। ১২শুবা এসেমব্লিদসু বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবদা নত্তনা পার্টি অসিগী এক্টিভ মেম্বর ওইরকখি। অদুবু বি জে পিদা অদুমক মখা তানা লৈরবদি মীয়ামগী পাপ পুগদবা মাল্লক্লে। মখা তানা বি জে পিদা লৈনীংলক্তবদগী কোংগ্রেসতা য়াওবনি। মণিপুরগী লৈমাইদগী বি জে পিবু মরূ ফংনা মূথৎনবা ঐখোয় পূম্নমক্না হোৎনমিন্নরসি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্না কোংগ্রেসতা য়াওশিনবগী পাউ অমসুং য়াওরগনি হায়বনচিংবা মাঙজৌননা তাখিবা লৈতে হায়রম্বদা মহাক্না হায়, কোংগ্রেসতা য়াওবদা পার্টি অসিনা অয়াবা পীরকখিবা কুইরে। হন্দক কোংগ্রেসনা 'ভোট চোর, গাডি ছোর' হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবদগী য়ানবা লৈরবনি। অদুবু ওফিশল ওইনা দেল্লীদা ওকপগী থৌরম পাঙথোক্লগা লাউথোকসি হায়বদগী ঙাইরকখিবনি হায়রকখি।

অমরোমদা, ঙসিদগী কোংগ্রেসকী মেম্বর ওইরবা এক্স-এম এল এ, ৰাই সুরচন্দ্রদা পাউচে অসিনা টেলিফোন তৌদুনা হংলুবদা মহাক্না হায়, ঐখোয় অহুম ওকপগী থৌরম অসি ঙসি নুংথিল দেল্লীদা পাঙথোকপনি। কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী ঐখোয়বু য়াম্না হরাও-হরাও তৌবীরি। লোয়ননা মমাঙগী ইলেক্সনদা ঐহাক ককচীংদা বি জে পিগী এম এল এ ওইখিবনি। অদুবু হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদদি বি জে পিদা মখা তানা লৈতবনা ফরগদ্রা খল্লকপদগী কোংগ্রেসতা য়াওরকপনি। ঐগী মীয়াম্নসু বি জে পিগী মহুত্তা কোংগ্রেস ওইরো হায়না মখোয়গী অপাম্বশিং ফোঙদোরকখিবা লৈরে। মরম অসিনা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না ঐহাক্না খোঙ থাংবনি হায়না টেলিফোনদা শানখিবা ৰারীদা ফোঙদোরকখি।

# প্রাইম মিনিষ্টর খোঙচৎকী মাঙওইননা ফ্রী মুভমেন্ট তৌহল্লগনি হায়রবসু রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়গীদি প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসতা পন্থুং ওইহনগদৌরিব্রা

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
খুগা তম্পাক, চুড়াচান্দপুরদগী খুঞ্জা

**(ঙরাংগী মখা...)**

চুড়াচান্দপুরগী খুগা তম্পাক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবী মাইরেম্বম ওংবী সনাতোম্বী (২৯) না মখা তানা হায়, রিলিফ কেম্প অসিদা হৌজিক লৈরিবসি কা অমদা ইমুং ৩/৪ পূন্না লৈমিন্নবনি। কা অসিগী মনুংদা মচেৎ মচেৎ লৌনদুনা অরৈবা মোম্পাক ফিদক্লা খাজিল্লগা প্রাইভেসি থম্নদুনা চহী অনী হেন্না লেল্লক্লিবনি। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্লা পীরিবা অয়েন চেঙ অমদি হৱাই কাংতক অসিসু অদুমক লেপ্তুনা চাদুনা লাক্লবনি। মরক-মরক্তা থা অমদা অনীরক মথেল অতৈ (শা/ঙা) থোংদুনা পীজৈ। অদুসু ময়ামগী কোন্ননবা থোংবনিনা য়ান-য়ানবা চাবা হায়বদুগী ফীভমদা লৈরক্লি। মরম অসিনা পীক্লিবা অঙাং চেনবশিংগীদি স্কুলগী টিফিন পুবা অমদি অয়ূক্তা ব্রেকফাষ্ট পীজরগা স্কুল চৎহনবনিনা হৱাই খক্তমক অদুমক পীজবদা অঙাংশিংনা চাউ হায়বা য়ারক্ত্রে। চাকসু স্কুল চৎপা অঙাংশিংগীদি ঙন্না থোংদবা য়াদবনিনা লন্নাই থোংজরগা টিফিন হাপ্পি। পূম্নমক অসি লৈদুনা থোং থাক্লবা হোৎনবদা শেল চঙবনিনা ঐখোয় রিলিফ কেম্পতা লৈরবসু শেল তান্দবা য়াদে। শেল তানফমসু লৈতে। রিলিফ কেম্পতা প্লাষ্টিককী বেগ খরা শাবা অসিনদি ঙম্না-ঙম্নবা হোৎনরসু থোইদোক্লা কান্নবা ওইদ্রি অদুবু ৰারে হায়হৈদে হায়রবসু ঐখোয়গী অৱাবদি খম থেংলে। লৈঙাক্লা ঐখোয়গীদমক অতৈ অতৈ কূপ্না য়েংশিনবীদ্রবসু অঙাংশিংগী মহৈ মশিং তম্বা খক্তদা মীৎয়েং চঙহন্নীংই।

অঙাংশিংগী মকুপ মতা কয়া অমা থৌরাং তৌবদা ৰারিবা অসি উবীরগা মীৎয়েং চঙবা পাম্মী। লৈজদবা অমসুং লন-থুম পূম্নমক লোইনা মাঙহৌরবনিনা হৌজিক্তি অশেংবা লন ওইরিবা ইচাশিং অসিদি ময়েক শেংনা শেন্বীবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং পাংবীয়ু হায়রকখি।

মহাক্না মখা তানা লান অসি মতৌ করম্না মায়োক্নদুনা লাঞ্জেল্লকখিবনো হায়বগী মতাংদা নীংশিংলদুনা হায়, মে ৩, ২০২৩গী নুমিৎ অদু চুড়াচান্দপুরদা চীংমীশিংগী পীস রেল্লি অমা চৎকনি হায়দুনা মমাঙগী নুমিৎ মে ২দগী হৌরদুনা চীংমী নহাশিংনা ফুরিৎ অমুবদা মখোয়গী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মমিং থাদুনা য়েন্থোকপা কয়া থেংনখি। ফীভম অদুদা হয়েংগী রেল্লিগীদমক শেম শাবা হৌরে হায়বা খঙখি।

রেল্লি চৎখিবা নুমিৎ মে ৩দা দুকান্নচিংবা অমত্তা হাংদনবা খঙহনখি। অদুবু ঐখোয়গী য়ূমদি য়ূম্লক্তা লৈবনিনা হান্নদগী হাংবা হোটেল অদু থোঙ তঙ্খায় অমা হাংদোক্লগা শেল তান্নীংবগী ময়াইনা অদুমক ফমখি। নুংথিলগী পুং ২ রোম তারকপা অদুৱাইদা তোৰ্ব্বংদা ঈরাং থোক্লে হায়বগী পাউ তাবা হৌরকখি। (মথং-মথং)

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI NEAR EDHOU KHAMLANGBA
FOUNDATION FOR CLASS - 6 TO 10
LIMITED SEAT FIRST COME FIRST SERVE
ADMISSION OPEN : CRASH COURSE FOR HALF YEARLY
STARTS ON 11th JUNE. 2025 TIME: 4:30 P.M. to 7:30 P.M
SPECIAL PREPARATION FOR FINAL EXAM 2025
BOARDING ( SEPARATE FOR GIRLS & BOYS




SPECIAL FREE TUITION FOR STUDENTS OF BOARDING
CONTACT :
7628946313
9612441824
8732022342
HL-B/9773/11/8-9/10 (alt)